# ইন্দিয়াগী সুট্টর রাজপুট অমসুং রিজভিনা ২শুবা ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং মিটতা মকোক ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সঞ্জিব রাজপুট অমসুং সাহজার রিজভিনা অনীশুবা ওইনা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং মিটকী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল অমসুং এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলশিংদা মকোক ওইখ্রে।

২শুবা ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং মিট অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর সঞ্জিব রাজপুটনা পোইন্ট ২৫২.৫ স্কোর তৌদুনা মকোক ওইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সঞ্জিব রাজপুট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং মিটতসু য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মকোক ওইবা ঙমখিবনি।





মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা ওষ্ট্রিয়াগী নুপা সুট্টর মার্টিন ষ্ট্রেম্পফলনা পোইন্ট ২৫১.৭ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা ফ্রান্সকী সুট্টর ইটেন্নে জরমোন্দনা পোইন্ট ২৩০.১ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর য়াস ভর্ধননা পোইন্ট ২০৮.৯ অমসুং দিভ্যান্স সিংহ পনৱারনা পোইন্ট ১৮৬.১ স্কোর তৌদুনা মথংশিৎনা মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা পোজিসন ফংখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর নাচিকেথ প্রভিনসু পোইন্ট ১৬৪.৮ স্কোর তৌদুনা ৬শুবা পোজিসন তাহৌখি।

অনীশুবা ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং মিট অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর সাহজার রিজভিনা পোইন্ট ২৪১.৭ স্কোর তৌদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অমনপ্রিত সিংহসু পোইন্ট ২৪১.৫ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন ফংখি।

নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা স্কোটলেন্দগী সুট্টর লুসি ইভান্সনা পোইন্ট ২১৪.৯ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। স্কোটলেন্দগী অতোপ্পা সুট্টর ইমিলা ফোল্কনরনা পোইন্ট ১৯৫.৮ স্কোর তৌদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টরশিং অনিস ভনৱালানা পোইন্ট ১৫৬.৬ অমসুং গৌরব রানানা পোইন্ট ১০৮.৬ স্কোর তৌদুনা মথংশিৎনা ৬শুবা অমসুং ৮শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং মিট অসি মমাঙদা ইন্দিয়াগী সুট্টর ওইরম্বা সিমোন সারিফনা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দারক্লিবা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা লোকদাউন লাওথোকখিবদগী সুট্টিং কম্পিটিসন অমত্তা পাঙথোক্তনা লাকখিবা অদুদা এঠলেটশিংনা মখোয়গী কম্পিটিসনশিংদা মীৎয়েং হোংদনবা শিনবনি।

মহাক্কী পান্দম অসিগীদমক মালেমগী সুট্টর কয়াদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। সুট্টিং কম্পিটিসন অসি ঝুম এপ্পকী খূথাংদা তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা সুট্টরশিংনা ইলেক্ট্রোনিক সুট্টিং টার্গেট শীজিন্নদুনা পাঙথোকপনি।

ইন্টরনেসনেল ওনলাইন সুট্টিং কম্পিটিসন অসি ইন্টরনেটতা লাইভ থারি। হঙ্গেরিয়ান সুট্টর পিটর সিদি অমসুং ইন্দিয়াগী জয়দিপ করমাকরনা কমেন্টরি পীরি। কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা সুট্টরশিং অমসুং ইন্টরনেসনেল কোচশিং য়াওশিন্দুনা ভিদিওগী খূথাংদা চেট তৌই হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# য়ু কে লৈঙাক্লা মেজর স্পোর্টসশিং হৌনবা ৱারী শান্নরগনি

*লন্দন, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ য়াওনা ইংলেন্দগী মেজর স্পোর্টসশিং মখা তানা পাঙথোক্লনবা য়ুনাইটেদ কিংদম গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবশিংগা ৱারী শান্নবা হৌরগনি হায়না পাউ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী মফম কয়াদা শন্দারক্লিবা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্লা মরম ওইরগা বৃটেনদা পাঙথোক্লম্বা স্পোর্টস ইভেন্ট কয়া সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিবনি। মশান্না কয়া লেপখিবদগী ফংলিবা চৈথেং অসি লৈঙাক অসিনা খঙই। মরম অসিনা লৈঙাক অসিনা মরী লৈনবশিংগা ৱারী শান্নদুনা সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিবা মশান্নশিং অসি অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়না কলচর সেক্রেটরী ওলিভর দোদেননা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা ইংলেন্দ অমসুং ৱেলস ক্রিকেট বোর্দকী চীফ একজিক্যুটিভ টোম হরিসন্না ফোঙদোকখিবদা মশান্নশিং অসি হৌনবগীদমক দোৱেনগী দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হংলকখ্রে।

বি বি সি ন্যুজগী রিপোট অমগী মতুং ইন্না হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা মীটিং অসিগী মতুংদা অহোংবা অমা লাক্লগনি। লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্কী ফিভম খরা ফগৎলক্লবদি চয়োল অসিগী মনুংদা চপ চাবা ৱাফম খঙলগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্লা নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দকী প্রোসেসতা থেংথহল্লে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদু কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্লা মরম ওইরগা লৈবাক শিনবা থুংদা লোকদাউন লাওথোকখিবদগী থেংথহল্লে, এৱার্দ অসিগীদমক মথং থাদা এপ্লিকেসন ইনভাইট তৌরগনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এৱার্দ অসিগী এপ্রিলদা নোমিনেসনগীদমক ইনভাইট তৌখ্রবনি। অদুবু নেসনেল লোকদাউন অসিনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসি নেসনেল স্পোর্টস দেগা মরী লৈননা ওগষ্ট ২৯ দা পাঙথোক্কদবনি। নুমিৎ অসি হোক্কী লিজেন্দ মেজর ধ্যান চান্দগী মপোক নুমিৎনি।

অদুবু চহী অসিদদি কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা এৱার্দকী প্রোসেসতা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা পুন্না মীওই ৮০০ হেন্না শিহনখ্রে। অদুগা মালেমগী ওইনা মীওই লাখ ২ হেন্না শিহন্দুনা য়াম্না খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লদুনা লাক্লি। লায়চৎ অসিনা খ্বাইদগী শোকহনবা লৈবাক্তি য়ু এস এনা ওইরি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিগী খুদোংচাদবা ফিভম অসিনা নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দকী প্রোসেস তৌবদা অৱাবা মায়োক্লরি। মিনিষ্ট্রিনা নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ এপ্লিকেসনগী সার্ক্যুলর ইশু তৌনবা ঙাইরি। প্রোসেস অসি এপ্রিল থাগী মনুংদা লোয়শিনগদবনি। অদুবু ফিভম অসিনা থেংথহল্লে। সার্ক্যুলর অসি মে থাদা থোক্লগনি হায়না ওফিসিয়েল অসিনা মখা তাখি।

থা অমরোমগী মমাঙদগী লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন লৈখিবদগী গভর্ণমেন্ট ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং অমসুং নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং য়ূম–য়ূমদগী থবক তৌনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা এৱার্দ অসিদা থেংথহল্লে হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী পাউ অসিনা মখা তারি।

নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ অসিদা য়াওরিবা মনাশিং অদুদি– রজিব গান্ধী খেল রত্ন, দি আর্জুনা এৱার্দ, দ্রোনাচার্য্য অমসুং ধ্যানচান্দ এৱার্দশিংসু য়াওরি। এৱার্শিং অসি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা রাস্ত্রপতি ভৱনদা য়েন্থোক্কদবনি।

নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ ফংগদৌরিবা শান্নরোইশিং অসি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এপ্পোইন্ট তৌবা কম্মিটি অমনা খনগদবনি। কম্মিটি অসিদা মমিং লৈরবা শান্নরোইশিং, মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিংবু য়াওরি।

# মালেমগী থাক্তা লম্বা তৌননবা ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংনা ষ্টেন্দর্দ হেনগৎহনবা মথৌ তাই : কিরেন রিজিজু

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী থাক্তা অতোপ্পা এঠলেটশিংগা লম্বা তৌনবা ঙম্নবা ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংনা মখোয়গী ষ্টেন্দর্দ হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়না লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱার্ল্ড ষ্টেজদা লৈবাক অসিগী এঠলেটশিংনা শরুক য়ানবা হোৎনবদা মখোয়গী হান্না লৈরিবা ষ্টেন্দর্দশিং অদুদগী হেনগৎহনবা মথৌ তাই। মসি ঙম্লবা মতমদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টসকী থাক হেনগৎহনবা ঙমগনি হায়খি।

সাউথ এসিয়ান এঠলেটিক্স ফেদরেসন অমসুং এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া পুন্না খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা সিক্স–দে ওনলাইন টেক্নিকেল ওফিসিয়েলস সেমিনালগী অহৌবা সেসন অদুগী কান্নবশিং অদু লৈবাক অসিগী এঠলেটশিংনা লৌহৌনবা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখি।

এঠলেটিক্স মশান্না অসি ওলেম্পিক গেমসকী থৱাই অমসুং হকচাংনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী এঠলেটশিংনা হৌজিক লৈরিবা লেবেল অসিদগী হেনগৎহনগদবনি হায়না রিজিজুনা মখা তাখি।

লৈঙাক অসিনা স্পোর্টসপু হেন্না চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা থবক থৌরম কয়া লেপ্তুনা লৌখৎলক্লি। ঐখোয়না লৈবাক অসিদা অচৌবা স্পোর্টসকী কলচর অমা শেম্বা পাম্মী। মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা লেবেল অসি হেনগৎহন্দুনা লৈবাক অসিনা পাল্লিবা স্পোর্টসকী ষ্টেন্দর্দ অদু ফংবা ঙম্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাঙলগনি হায়না য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখি।

সাউথ এসিয়ান এঠলটিক্স ফেদরেসন অমসুং এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্লিবা নুমিৎ ৬ নিগী সেমিনার অসিনা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্সকী প্রসিদেন্ট সেবাষ্টিয়ান কোনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সেবাষ্টিয়ান কোনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ঐখোয়গী স্পোর্টস অসি টেক্নিকেল ওফিসিয়েলশিংগী মতেং য়াওদনা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদে। মসি ঐখোয়গী স্পোর্টস অসিগী য়াম্না লায়বক থিবনি। মরম অসিনা ভোল্যুন্টিয়রশিংনা মতম চুপ্পদা মতেং পাঙনবা হোৎনগদবনি হায়না সেবাষ্টিয়ান কোনা মখা তাখি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাংদি এঠলেটশিংবু কম্পিটিসনগী থৌনা লৈহনবদুনি। ঐখোয়না এঠলেটশিং অমসুং মেম্বর ফেদরেসনশিংদা মখোয়গী ষ্ট্রকচরশিং অদু ঙাক্লা থমদুনা অথুবা মতমদা কম্পিটিসনশিং পাঙথোরকপা মতমদা এঠলেটশিংনা নিয়ম চুম্না শরুক য়াহনবনি হায়না এঠলেটিক্স চীফ সেবাষ্টিয়ান কোনা মখা তাখি।

ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চীফ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনশিং চহী অসিগী দিসেম্বর ১ ফাওবা সস্পেন্দ তৌনবা ৱারেপ লৌরে। এঠলেটশিংনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ারকপদা নিয়ম চুম্না শরুক য়ানবসু মহাক্না ৱার্নিং তৌখি।

ঐখোয়না থাজে মদুদি এঠলেটশিংনা কম্পিটিসন্দা হল্লকপা মতমদা কম্পিটিসনশিংগী চৎন–কাঙলোনশিং থুগাইদনা মপুং ফানা পাঙথোক্লবা ফোঙদোরক্লি। টেক্নিকেল ওফিসিয়েলশিংনা খ্বাইদগী চাওনা পাঙথোক্লিবা ওনলাইন গেদরিং অসিদা শরুক য়াবদা সেবাষ্টিয়ান কোনা নুংঙাইবা ফোঙদোরকখি। মহাক্না ইন্দিয়ান ফেদরেসন্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এ এফ আইগী প্রসিদেন্ট অদিলে সুমারিৱালনা ফোঙদোকখিবদা এ এফ আইনা কোচশিং অমসুং টেক্নিকেল ওফিসিয়েলশিংগী ওনলাইন কোর্স হৌদোকপা অহানবা নেসনেল ফেদরেসন ওইরে।

ঐখোয়না এনুয়েল জেনরেল মীটিং মে ২ পাঙথোক্লবা শেম শারি। সব–কম্মিটিশিংগীসু ওনলাইন মীটিং গীদমক শেম শারে হায়রি। সাউথ এসিয়ান এঠলেটিক্স ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ললিট কে ভানোটনা ফোঙদোরকপদা সেমিনার অসিনা রিজন অসিদা লৈরিবা এঠলেটশিংনা শান্নরোই অমা ওইনা তৌগদবা থৌদাংশিং অদু লৌশিংনবা ঙম্লগনি হায়রি।

# রবি মিট্টলনা অনৌবা স্পোর্টস সেক্রেটরী ওইরে



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

রবি মিট্টলনা ইন্দিয়াগী অনৌবা স্পোর্টস সেক্রেটরী ওইনা খল্লে হায়রি। মহাক্না হৌজিক–হৌজিক ফম অসি পুরিবা রাধেশ্যাম ঝুলানিয়াগী মহুৎ অথুবা মতমদা শিল্লগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

রবি মিট্টল কুমজা ১৯৮৬ বেটচ বিহার কেদর ওফিসারনি। মহাক হৌজিক ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিদা সেক্রেটরীগী ফম পুরিবনি। মহাক্না স্পোর্টস সেক্রেটরীগী ফম অসি অথুবা মতমদা পুরগনি হায়রি।

রবি মিট্টলনা মমাঙদা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী সেক্রেটরী ওইরম্বা অমিট খারেগী মহুৎ শীন্দুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদগী ফম অসি পুরকখিবনি। মসিগা লোয়ননা রবি মিট্টলদা হায়র এদুকেসনগী ঐচ আর দিগী থবকসু অহেনবা ওইনা পায়হনখিবনি।

রাধেশ্যাম ঝুলানিয়া মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারি থাদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা য়াওরক্তুনা স্পোর্টস সেক্রেটরগী ফম পুরকখিবনি। মহাক্না ফম অসি পায়রকপদগী লৈবাক অসিগী স্পোর্টস ফেদরেসনশিং অমসুং ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী মনুংদা চয়েৎনবা ৱাফম কয়া লাকখি।

নুমিৎ ১০নি রোমগী মমাঙদা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংদা নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংদা ওটোনোমী অমসুং ইন্দিপেন্দেন্স পীবগী মতাংদা কমপ্লেন তৌখিবনি। কমপ্লেন অসিগী মতুং ইন্না এন এস এফশিংনা হায় পার্ফোমেন্স দাইরেক্টরশিংগী খূথাংদা রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়বগী ৱাফম অদুনি। অদুবু য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ইশু অসি ক্লারিফাকেসন পীখ্রবনি।

স্পোর্টস সেক্রেটরী ওইরম্বা রাধেশ্যাম ঝুলনিয়া হৌজিক ফাওবগী ওইনা অখন্নবা ফম অমত্তা পীদ্রি। অদুমওইনমক মহাক মধ্য প্রদেশকী পেরেন্ট কেদরদা অমুক হল্লবা য়ারি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# মরাদোনানা ফুটবোল মশান্না হল্লকপা খৌরাংনা ঙাইরি

*বেনোস আইরেজ, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

আর্জেন্টিনাগী মমাঙদা মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোই ওইরম্বা দিএগো মরাদোননা ফুটবোল মশান্না অথুবা মতমদা হল্লকপা খৌরাংনা ঙাইরি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক আর্জেন্টিনাগী ফুটবোল ক্লব জিমনাসিয়া ইসগ্রিমা লা প্লাটাগী কোচ ওইরিবনি। মহাক্না ক্লব অসিগী ফেনশিংগা অফবা মরী অমা শাগৎপা ঙমখ্রে।

মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিগী চৈথেংনা আর্জেন্টিনিয়ান ফুটবোল মার্চ ১৬ তগী সস্পেন্দ তৌদুনা লাক্লি। লোকেল কম্পিটিসনশিং হৌবগী খুদোংচাবা লৈরবসু ওফিসিয়েলশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়াম্না অঙকপা অমনি। ঐহাক্না ইষ্টান্সিয়া চিকা (জিমনাসিয়াগী ট্রেনিং গ্রাউন্দ) দা অমুক হল্লক্তুনা ঐগী অঙাংশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা পাম্মী হায়না ১৯৮৬ ফিফ ৱার্ল্ড কপ ৱিন্নর দিএগো মরাদোনানা ফোঙদোকখি।

মরাদোনানা জিমনাসিয়াগী সস্পোর্টরশিংবু নাপোলিগী সস্পোর্টরশিংগা চাংদম্নদুনা মখোয়গী পেসন অমসুং লোয়োলটিবু শিংথাখি। মরাদোনা ইটালিগী ক্লব নাপোলিদা কুমজা ১৯৮৪ দগী ১৯৯১ ফাওবা শান্নরম্বনি।

আর্জেন্টিনাগী ষ্টার দিএগো মরাদোনানা ইটালিগী ক্লব নাপোলিদা শান্নরিঙৈ মতমদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী টাইটল অনীরক লৌহনবা ঙমখ্রে। মসিগা লোয়ননা কোপ্পা ইটালিয়াগী টাইটল অমা অমসুং য়ু ই এফ এ কপকী টাইটল অমসু লৌহনবা ঙমখ্রবনি।

# পি সি আইনা পি পি ই কিটস ৫০০ পীখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া (পি সি আই) না কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক লান্থেংনরিবা দিল্লি লৈঙাক্তা পার্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্যুপমেন্ট (পি পি ই) কিটস ৫০০ মতেং পাঙখ্রে।

পি সি আইগী সেক্রেটরী জেনরেল গুরসারন সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা দিল্লি লৈঙাক্তা পি পি ই কিটস ৫০০ খূৎশিন্নখ্রে। মখা তানা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা পীনবা পি পি ই কিটস ১০০০ থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়না গুরসারননা ঙসি ফোঙদোকখিবনি।

পি পি ই কিটস ৫০০ দিল্লি লৈঙাক্তা ঙরাং খূৎশিন্নখ্রে। কিটসশিং অসি এ এ পি রাজ্য সভাগী এম পি এন দি গুপ্তাদা পীখি হায়না পি সি আইগী সেক্রেটরী জেনরেল গুরসারন সিংহনা ফোঙদোকখি। পি পি ই কিটসশিং অদু পি সি আইগী গভর্ণিং বোর্দ মেম্বর অশোক বেদিনা পীখি। কিটসশিং অসি বেঙ্গালুরুদা শাবনি।

বোদি অসিনা মখা তানা পি পি ই কিটস ১০০০ য়ুনিয়ন স্পোর্টস সেক্রেটরীদা ঙসি খূৎশিন্নরগনি। নীংশিংবা য়াই, মমাঙ থাদা পি সি আইগী ষ্টাফশিংনা নোংমগী তলব পি এম কেয়র্স ফন্দদা মতেং পাঙখ্রবনি।

মালেমগী মফম কয়াদা শন্দারক্লিবা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা মীওই ৮০০ হেন্না শিখ্রে অদুগা মালেমগী ওইনা মীওই লাখ ২ হেন্না শিহনখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ক্রোসৱার্দ ৫০০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | T | O | R | M | | A | C | H | E | | T | A | M | E |
| P | A | C | E | R | | B | R | A | N | | A | R | I | D |
| A | B | E | T | S | | L | A | S | T | | G | E | N | E |
| R | O | A | R | | | E | N | T | E | R | T | A | I | N |
| S | O | N | A | T | A | | E | E | R | I | E | | | |
| | | | C | A | L | F | | | | T | A | R | T | S |
| I | N | T | E | R | I | O | R | | C | A | M | E | R | A |
| D | I | E | | | A | R | O | M | A | | | D | I | M |
| E | L | E | C | T | S | | T | I | R | E | S | O | M | E |
| S | E | N | O | R | | | | N | O | S | E | | | |
| | | | S | A | T | A | N | | L | E | A | S | E | S |
| T | E | S | T | P | I | L | O | T | | | S | A | S | H |
| I | R | O | N | | D | O | D | O | | R | I | N | S | E |
| P | I | L | E | | A | H | E | M | | I | D | E | A | L |
| S | E | E | R | | L | A | S | S | | M | E | R | Y | L |

# ওনলাইন চেছ ইভেন্টতগী আনন্দ, চাহলনা লুপা ৮.৮ লাখ য়ৌহনখ্রে

*চেন্নাই, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

চেছ মশান্নগী মমাঙগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন বিশ্বানাথন আনন্দ অমসুং ক্রিকেট্টর য়ুজবেন্দ্র চাহলনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ কম্পিটিসন্দা পুন্না লুপা ৮.৮ লাখ য়ৌহনবা ঙমখ্রে।

চথরিবা ওনলাইন চেছ চেরিটি ইভেন্ট অসি লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ লান্থেংনরিবা অসিদা মতেং পাঙনবা পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

'চেছ ফোর চেরিটি' হায়বা থিমদা পাঙথোকপা ওনলাইন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোই বিশ্বানাথন আনন্দ, নম্বর টু ভিদিট গুজরাথি, গ্রান্দমাষ্টর নিহাল সারিন, ৱুমেন গ্রান্দ মাষ্টর টানিয়া সচদেব য়াওরি। ক্রোএসিয়াগী এন্টোনিওনা কোমেদিয়ানগী টিমদা বিস্বা কালিয়ান রাথ, সামে রাইনা, অভিসেক উপামান্যু অমসুং আকাস মেহটাগা পুন্না লৈমিন্নরি।

হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমদা য়াওরিবা য়ুজবেন্দ্র চাহল মমাঙগী য়ু–১২ নেসনেল চেছ চেম্পিয়ননি। মহাকসু ওনলাইন চেছ ইভেন্ট অসিদা এপ্রিল ৫ দা শরুক য়াদুনা ফন্দ তাল্লিবা অসিদা মতেং পাঙখি।

ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দনা হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা ওনলাইন ইভেন্ট অসিগী খূথাংদা প্রাইম মিনিষ্টর কেয়র্স ফন্দদা মতেং পাঙনবা লুপা ৪.৫ লাখ তানশিনবা ঙমখিবনি।

# মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল চেছ টুর্নামেন্টতা হিকারু নাকামুরা অমসুং দিং লিরেন মায় পাকখ্রে

*ওসলো, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এস দোলর ২৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টতা য়ু এস এগী হিকারু নাকামুরা অমসুং চাইনাগী দিং লিরেন মায় পাকখ্রে।



য়ু এসকী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরানা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই ইয়ান নেপোমনিয়াটচিবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ ৪ শান্নখিবদা মেটচ ৩ মায় পাকপা ঙম্লি। হিকারু নাকামুরানা অহানবা গেমদা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নখি। অদুগা মখা তানা শান্নরকপা মেটচ ৩ দ্রো চৎখিবনি।

চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেননা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিবু মায়থিবা পীবা ঙম্লি। আনিস গিরি মেটচ ১৪ শান্নরকপদা মায় পাকপা ঙমদনা লাক্লি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দসু নেদরলেন্দসকী অনিস গিরি চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেনগী মখূত্তা মায়থিবা নংদুনা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না পার্ফোমেন্স ফজদনা লাক্লি।

রিগুলেসন গেম ৪ লোয়শিনখিবা ফাওবদা চাইনাগী দিং লিরেন অমসুং নেদরলেন্দসকী অনিস গিরি ২–২ দা মান্নদুনা লৈরি। অহানবা অমসুং অহুমশুবা গেমশিং দ্রো চৎখ্রবা মতুংদা লিরেননা অনীশুবা গেম মায় পাকখি অদুগা অনিস গিরিনা অহুমশুবা মেটচ মায় পাকপা ঙমখিবনি। দিসাইদিং ওইখিবা অরমেগেদন গেমদা লিরেন অমসুং গিরি শান্নখিবা দ্রো চৎতুনা চাইনাগী শান্নরোই অসিনা ৩–২ দা মায় পাকখি।

মেগনস কার্লসন ওনলাইন ইনভাইটেসনেল চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা রাউন্দ লোয়শিনখিবদা মেগনস কার্লসন্না পোইন্ট ১১ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। য়ু এসকী হিকারু নাকামুরানা পোইন্ট ১০ ফংলগা অনীশুবা অদুগা ফাবিয়ানো করোনা, চাইনাগী দিং লিরেননা পোইন্ট ৮ / ৮ ফংমিন্নদুনা ৩শুবা অমসুং ৪শুবদা লৈরি।